# ব্রোথেল কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা বর্নাদ মরাকনা পুলিসতা মপুঙ ফানা মতেং পীয়ু হায়বা য়াদ্রি : পুলিস



তুরা, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
মমাং থাগী ২৬ তা ব্রোথেল কেসকা মরী লৈননা উট্টর প্রদেশতগী ফাখিবা মেঘালয়া বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট বর্নাদ মরাকনা পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসনদা মপুঙ ফানা মতেং পীয়ু হায়বা য়াদ্রি হায়না মেঘালয়া পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না মেঘালয়াগী ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তুরাদা লৈবা বি জে পি মিজোরাম য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্টে বর্নাদ মরাকনা মহাক্কী ফার্ম হাউস অদুবু অরানবা মওংদা শিজিন্নরম্মী হায়বগী মরালদা ফাখিবনি। পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা মরাকনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্নদি মহাক্কী ফার্ম হাউস অদু কনা লৈজদ্রবা অমদি লৈফম লৈতবা মীওইশিংগীদমক খল্লগা শাখিবনি। চহী ২ হেন্না মহাক্কী ফার্ম হাউস অসি হোমষ্টে ওইনা শিজিন্নদুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা থা ৩ লোম অসিদা মহাক্কী ফার্ম হাউসতা করি করি তৌখিবগে হায়বদুগী চপ চাবা মহাক খঙদে। মহাক্না মহাক্কী ফার্ম হাউসপু ব্রোথেল অমগুম শিজিন্নরম্মী হায়না চার্জ তৌরিবা অসি য়ুস্ফম য়াওদবনি হায়রি। মসি পোলিটিকেল ওইবা খুজিন থৌরাং অমনি হায়রি।

পনবা য়াবদি বর্নাদ মরাককী তুরাদা লৈবা ফার্ম হাউসতা মেঘালয়া পুলিসনা মমাং থাগী ২২ দা খঙহৌদনা রেইদ অমা চথুখি। পুলিসকী খুদক্কী ওইবা থি হুম্বগী থবক অদুদা নুপীমচা ২৪ য়াওনা পুন্না মীওই ৭৩ ফাগৎপা ঙমখি। হায়রিবা নুমিৎ অদুমক্তদা ফার্ম হাউস অদুগী অতোপ্পা কা অমদা থোঙ লোনশিন্দুনা থল্লম্বা অঙাং ৫ সু কনবা ঙমখি। মখা তানা মরাককী ফার্ম হাউসতা চথুখিবা থি হুম্বগী থবক্তা পোকখায়হনবদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়াসু ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা বর্নাদ মরাক ফাজিনখিবা অসিবু মেঘালয়া বি জে পিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরাল অসি য়ুস্ফম য়াওদবা অমদি পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনি। মরম অদুনা মহাক্কী কেস অসি ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি অমদা থিগৎহল্লু হায়না গভর্নরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

# অসাম পুলিসনা ব্যুজিনেসমেন অশোক ধনকাবু ঙাকথোক্লবা হোৎনরি : সী আই দি



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী ঝরখন্দ এম এল এ য়াল্লবা শেনফমগা কোন্ননা বেঙ্গল পুলিসনা ফাখিবগী কেস অদুগা মরী লৈননা চেন্নরম্বা য়াই চিংনরিবা অসামগী ব্যুজিনেসমেন অশোক ধনকাবু অসাম পুলিসনা ঙাকথোক্লবা হোৎনদুনা লৈরে হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসকী সী আই দি দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসকী সী আই দি দিপার্টমেন্টনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা এম এল এ অহুম অদুদগী ফাখিবা শেনফমশিং অদু অশোক ধনকা কৌবা গুৱাহাটিদা বেজ তৌবা ব্যুজিনেসমেন অসিনা পীরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মদুনা মরম ওইরগা মহাকপু ৱাহং পাউহং চথুবা মথৌ তারি। অদুবু হায়রিবা মীওই অসি হৌজিক ফাওবা সী আই দিগী টিম অসিনা উনবা ফংদনা লৈরি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসকী সী আই দি টিম অমনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা গুৱাহাটিদা লৈবা অশোক ধনকাগী ময়ুমদা চত্তুনা উননবা হোৎনখি। অদুবু য়ুম অদুগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা থোঙ হাংউ হায়বা য়াখিদে। অমদি মহাক্কী ময়ুম অদু অসাম পুলিসকী খুৎলায় মতিক চানা পায়বা পর্সনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা লৈরমখি। অশোক ধনকাগী ময়ুমদা চৎলুবা মতমদা লৈরম্লিবা অসাম পুলিস পর্সনেলশিং অমদি য়ুম অদুগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা কোওপরেসন পীরকখিদে। অদুম ওইনমক টিম অদুনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা য়ুম অদুগী থোঙদা অশোক ধনকাবু ঙসি ফাওবগী মনুংদা কোলকত্তাদা লৈবা সী আই দি হেদক্কাটরদা লাক্লবগীদমক খঙহনবা নোটিস অমা থেত্তুনা থম্লমখি। ঝরখন্দ এম এল এশিংগী কেস অসি হান্না হাউরা পুলিসনা পায়রম্বদগী সী আই দিনা পায়শিনখিবনি হায়রি।

# হৌখিবা পুং ২৪ দা মিজোরামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৬৪ থেংনখি

আইজোল, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
মিজোরামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৯৪ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ২,৩৪,১৪৪ শুখ্রে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ৱঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ গী পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ২৬.৩৪ ওইখি। মসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস ১৪৮ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই অমা শিখি। ঙসিগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিবা লৈতে। ষ্টেট অসিদা কোভিদনা মরম ওইরগা শিহনখিবা মী মশিং ৭১০ দা লেংদনা লৈরি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপুনবা মীশিং ২,৩৪,১৪৪ গী মনুংদা মীওই ২,৩২,১৯৪ মপুঙ ফানা লায়না লয়চৎ অসিদগী ফগৎপা ঙমখ্রে। মিজোরামদা হৌজিক হৌজিক এক্টিব কেস মশিং ১,২৩৯ লৈরি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লায়না লায়চৎ অসিগী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখিবা অসি মীয়াম্না তরাইনা লৌবা য়ারোই। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা কোভিদ-১৯ গী এস ও পি ঙাক্না চৎনবা অপিল তৌরক্লি।

# ইল্লিগেল ওইবা টেক্স থিবগী থবক খুদক্তগী লেপ্লগনি : এম সী সী আই

কোহিমা, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী):
নগালেন্দগী মকোকচুংদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপশিংনা ইল্লিগেল ওইবা টেক্স খোমগৎপগী থবক অসি লোনা য়াদবা থৌওংনি অমদি মখা তানা ইল্লিগেল ওইবা টেক্স থিবগী থবক খুদক্তগী লেপ্লগনি হায়না মকোকচুং চেম্বর ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ (এম সী সী আই) না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

এম সী সী আইনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মতম কয়াগী মমাংদগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপশিংনা এম সী সী আইদা চহী খুদিংগী পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা শেলগী দিমান্দশিং তৌদুনা লাক্লি। লালহৌলূপশিং অদুনা তৌরকখিবা দিমান্দশিং অদু ৱারী শান্নদুনা মতম মতমগী য়ানবা মওংদা খরা খরা পীদুনা লাক্লি। অদুবু মখোয়গী কা হেনবা মওং অসি হৌজিক্তি খাঙদুনা লৈররোই। মরম অদুনা ইল্লিগেল ওইবা টেক্স পীদনবা ফিরেপ লৌখিবনি। মীয়াম্নসু পীগনু হায়রি।

# অরানবা মওংদা হার থল্লম্বা গোদাউন অমা থিংজিনখ্রে

মঙালদোই, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
অসামগী মনুং চনবা দরাং দিষ্ট্রিক্টতা পুলিসনা চথুখিবা দ্রাইব অমদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা হার বেগ কয়া পৈশিন্দুনা থল্লম্বা গোদাউন অমা থিংজিনখিবগা লোয়ননা মীওই অনী ফাজিনখ্রে হায়রি।

দরিয়াং পুলিসকী দি এস পি প্রঞ্জল বোরানা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি থিংজিনখ্রবা গোদাউন অদু ইন্সর অলি অমসুং মনোৱার হুসেন কৌবা মীওই অনীনা চল্লাইবনি। হৌখিবা থা খরগী মমাংদগী হায়রিবা মীওই অসিনা গোদাউন ওইরিবা বিল্ডিং অসি ৱাইরগা হারশিং ইল্লিগেল ওইবা মওংদা পৈশিন্দুনা লল্লোনবগী থবকশিং চথুরম্বনি। গোদাউন অসিদা পৈশিন্দুনা লৈরিবা হারশিং অসি মতৌ করম্না মখোয়না ফংলকপনো হায়বসি য়াম্না মরুওইবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। মরমদি গোদাউন অসিদা লৈরম্লিবসি লৈঙাক্লা লৌমীশিংদা পীনবা সপ্লাই তৌখিবা হারশিং ঙাক্তনি।

# মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা হুলোক গিবোন অমা তিনসুকিয়াদা শিনা থেংনখ্রে



দিব্রুগর, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সি):
মালেমদগী মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা হুলোক গিবোন (য়োং মখল অমা) অমা অসামগী তিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বরেকুরি জাহুখোৱাদা শিনা লৈরম্বা থেংনখ্রে হায়না বারেকুরি ইকো দিবলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট দিপ্লোব ছুতিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দিপ্লোবনা ফোঙদোকখিবদা তিনসুকিয়া টাউনদগী কিলোমিটর ৭ লোম চৎলগা লৈরিবা বারেকুরি এরিয়াদা লৈরিবা মীয়াম্না মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরক্লবা শা মখলশিং অসি য়োকখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। খুঞ্জাশিংনসু অতাঙবা মখলগী শাশিং য়াম্না লুনা তৌরি। মরুওইনা হুলোক গিবোনশিং অসি খুঞ্জাশিংনা খ্বাইদগী হেন্না লুনা তৌবা য়োং মখলশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। খুঞ্জাশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা হান্নগুম থবক শুবা চৎপদা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা য়োং মখল অসিগী অশিবা হকচাং অদু থেংনরকখিবনি। হুলোক গিবোন অমা শিনা লৈরম্বা অদুদা খুঞ্জাশিং য়াম্না নুংঙাইতবা পোক্লখিবগা লোয়ননা খুদক্তা মরী লৈনবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা পাউ পীদুনা খঙহনখি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিল্লখিবগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক হুলোক গিবোনগী অশিবা হকচাং অদু পুদুনা চৎখি। য়োং অসি রেসপিরেটরি ওর্গানদা অশোকপা লৈবদগী শিখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। অমরোমদা বারেকুরিদা হৌজিক য়োং মখল অসিগী মশিং ১৮ খক্তমক ঙাইরে। য়োং মখল অসি য়োকখৎনবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপদা চঙগদবা মথৌ তাবা শেনফমশিংদি কায়থোরকপা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা কম্মিটি অসিনা য়োং মখল অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়না মহাক্না মখা তারি।



থৌবাল কোলেজগী ৫৯ শুবা ফাউন্দেসন দে নুমিৎকা মরী লৈননা থৌবাল খুন্নৌদা লৈবা শামু মানবী চীংদা উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাখিবা

## CROSSWORD-3609



**ACROSS**
1 Helper (9)
6 Busy insect (3)
8 Friendly Islands (5)
9 Vanquish (7)
10 Spring flower (7)
11 Replete (5)
12 Arm joints (6)
14 Declared (6)
18 Depicted (5)
20 Bind tight with clothes (7)
22 Synthetic (3-4)
23 Bundle of hay or straw (5)
24 Secret agent (3)
25 Very famous performer (9)

**DOWN**
1 Recital (anag) (7)
2 Tendon (5)
3 Fork-tailed bird (7)
4 Receive willingly (6)
5 North African capital (5)
6 Small garden bird (4,3)
7 Made a mistake (5)
13 Flattery, cajoling talk (7)
15 Farm vehicle (7)
16 Sideboard with open shelves (7)
17 Slumbering (6)
18 The Three Musketeers author (5)
19 Approaches (5)
21 Uncertainty (5)

**Solution 3608**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | A | L | L | Y | ■ | O | S | T | L | E | R |
| E | ■ | L | ■ | I | ■ | ■ | ■ | A | ■ | E | ■ | A |
| S | T | A | R | T | ■ | D | E | F | I | A | N | T |
| U | ■ | D | ■ | R | ■ | I | ■ | F | ■ | R | ■ | T |
| M | A | D | N | E | S | S | ■ | R | E | N | A | L |
| E | ■ | I | ■ | ■ | ■ | C | ■ | O | ■ | ■ | ■ | E |
| ■ | ■ | N | E | S | T | L | I | N | G | S | ■ | ■ |
| S | ■ | ■ | ■ | K | ■ | O | ■ | ■ | ■ | U | ■ | P |
| H | E | A | V | Y | ■ | S | C | R | U | F | F | Y |
| R | ■ | S | ■ | B | ■ | E | ■ | I | ■ | F | ■ | T |
| I | N | H | A | L | E | D | ■ | N | E | I | G | H |
| L | ■ | E | ■ | U | ■ | ■ | ■ | G | ■ | C | ■ | O |
| L | O | N | G | E | D | ■ | S | O | L | E | M | N |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-4010**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | 6 | 4 | | | | | |
| 2 | 4 | | | | 8 | | 3 | 1 |
| | | 3 | | | 1 | | | 5 |
| 7 | | 2 | 5 | 8 | | | | 3 |
| | | | | | | | | |
| 3 | | | | 7 | 4 | 5 | | 8 |
| 6 | | | 8 | | | 3 | | |
| 4 | 1 | | 3 | | | | 8 | 2 |
| | | | | | 2 | 6 | | 7 |

**Solution-4009**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 8 | 5 | 1 | 6 | 4 | 2 | 3 | 7 |
| 6 | 2 | 1 | 5 | 7 | 3 | 4 | 8 | 9 |
| 3 | 7 | 4 | 2 | 8 | 9 | 5 | 1 | 6 |
| 1 | 9 | 6 | 4 | 5 | 8 | 7 | 2 | 3 |
| 2 | 3 | 8 | 9 | 1 | 7 | 6 | 4 | 5 |
| 4 | 5 | 7 | 6 | 3 | 2 | 8 | 9 | 1 |
| 8 | 4 | 3 | 7 | 9 | 5 | 1 | 6 | 2 |
| 5 | 6 | 9 | 8 | 2 | 1 | 3 | 7 | 4 |
| 7 | 1 | 2 | 3 | 4 | 6 | 9 | 5 | 8 |

## EMPLOYMENT NEWS

### NEDFI RECRUITMENT 2022 FOR 44 JUNIOR EXECUTIVE OFFICER

North Eastern Development Finance Corporation Ltd Junior Executive Officer Recruitment 2022: Advertisement for the post of Junior Executive Officer in North Eastern Development Finance Corporation Ltd. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 05 September 2022. Candidates can check the latest North Eastern Development Finance Corporation Ltd Recruitment 2022 Junior Executive Officer Vacancy 2022 details and apply online at the www.nedfi.com/ recruitment 2022 page.
North Eastern Development Finance Corporation Ltd Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.nedfi.com/. North Eastern Development Finance Corporation Ltd selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.nedfi.com/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
North Eastern Development Finance Corporation Limited (NEDFi)
invites applications for recruitment of Junior Executive Officer
Junior Executive Officer
Job Location:
North Eastern Development Finance Corporation Limited."NEDFi House"G. S. Road Dispur , Guwahati, 781006 Assam
Last Date: 05 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 44 Posts
North Eastern Development Finance Corporation Limited (NEDFi)
North Eastern Development Finance Corporation Limited (NEDFi) Recruitment 2022 Details
Company North Eastern Development Finance Corporation Ltd
Job Role Junior Executive Officer
Education Requirement
Total Vacancy 44 Posts
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 48000
Posted on 05 Aug, 2022
Last Date To Apply 05-09-2022
Educational Qualification: Graduate in any discipline from a recognized University or any equivalent
qualification recognized as such by the Central Government with a minimum of 60% marks. Candidates possessing qualifications ofChartered Accountant or Cost Accountant or any other professional degrees
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 48000
Age Limit: 35 years- 45 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Junior Executive Officer in NEDFI.
How to Apply:
Interested and eligible candidates can apply for the above vacancies before 05/09/2022, through the official website nedfi.com, candidates can follow the steps below to apply online/offline.
Step 1: Click NEDFI official website, nedfi.com
Step 2: Search for NEDFI official notification
Step 3: Read the details and check the mode of application
Step 4: As per the instruction apply for the NEDFI Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 06 August 2022
Last date for application is: 05 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### RMRC, NE REGION RECRUITMENT 2022 FOR PROJECT ADMINISTRATIVE ASSISTANT

Regional Medical Research Centre, NE Region Project Administrative Assistant Recruitment 2022: Advertisement for the post of Project Administrative Assistant in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 23 August 2022. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2022 Project Administrative Assistant Vacancy 2022 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2022 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre North Eastern Region
invites applications for recruitment of Project Administrative Assistant
Project Administrative Assistant
Job Location:
REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NORTH EAST REGION(N COUNCIL OF MEDICAL RESEARCH)Post Office Box # 105, Dibrugarh, 786001 Assam
Last Date: 23 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Regional Medical Research Centre North Eastern Region
Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2022 Details
Company Regional Medical Research Centre, NE Region
Job Role Project Administrative Assistant
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Dibrugarh
Experience 5 - 10 years
Salary 32000(Per Month)
Posted on 03 Aug, 2022
Last Date To Apply 23-08-2022
Educational Qualification: Graduate in any discipline with 5 (five) years'experience of administration/ finance and accounts work.
Skills / Eligibility
Age Limit: 30 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Project Administrative Assistant in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Listed below are the steps to apply for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2022
Step 1: Visit official website of Regional Medical Research Centre North Eastern Region - rmrcne.org.in
Step 2: Here look for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2022 Notification
Step 3: Make sure you read all the details in the notification
Step 4: Apply or send the application form as per the mode of application given on the official notification
Important Dates:
Published on: 04 August 2022
Last date for application is: 23 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
য়াইতম্বা
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

